# থেঙল'সু থেঙনা হোৎনসি

**এস ভানুমতী**

**(হান্নগী মখা...)**

শাংনা চথরক্লিবা পুন্সিগী খোঙচৎ অসিদা থেংনরক্লিবা মীওইবগী মচৎসি অঙকপনি। লৈঙাকপা কয়া পাল্লন্মী ... লোইখি, মথং মথং অমগী মথংদা অমা। অদুবু পাল্লক্লিবা লুচিংবশিংদু মসিমতংদি ফরে হায়না থম্মোয়শেংনা হায়নবা ইতা হেক তাদে। থমমোয় য়াওনা তেংবাংনবগী থবক তৌনবসু ৱাৎলি। নাকল অমদা মিৎয়েং অমরোমদা নৎত্রগা অমরোমদা দোষ পীনবা মীয়াম হেক্তা লৈ। পূক্লিং থৌগৎপা, মীনা তৌজরিবা অদুদা থাগৎনবগী মওং অমত্তা ইফং ফংদবগুম তৌনৈ। ফনা হায়বা উরবসু 'ফবুদি ফৈ হায়ববু-' হায়বগী ৱাহৈ অমা ইয়াওতা য়াওনৈ। মসি লমদমসিগী হৈনবী মওং অমা ওইবা তাই। ময়াম চঙদুনা অফবা মায়কৈরোমদা মায় ওনশিন্নদুনা থম্মোয় শেংনা তশেংনা পূক্লিং থৌগৎপীবগী মতৌ মওংদি পংউ উবা ফংজদে। মসি ঐখোয়গী লাইবক ফবা হায়বদুরা খঙদে। পূক্লিং খোইরাং খোয়শাওনৈ, পাঙ্গল থোক্তনা হিংজরিবা ঐখোয়গুম্বদি ওন্থোক্লা খাঙবা ৱাজৈ। অফবা তৌরকপা মীশক্তদি, মুন্না খল্লগা থম্মোয় শেংনা পূক্লিং থৌগৎনফম থোকপ্রা খঞ্জে। ইরায় হেক লায়বা ৱাহন্থোক অমতং হায়জরবদা মীপুম খুদিং ইশা ইশাগী লৈজরিবা থৌদাং পূম্বা তাইবঙ মপূদা শিন্নথোল্লগা, অয়ূক নুমিদাং নোম্বা লেপ্তুনা, থৱায় য়াওনা পাঙথোকপা ঙম্নবরোমদা কোক থাদবীরবদি লৈবাক অসিগী লৈঙাকপশিংগী মফমদসু থবক থৌরম পূম্বা খুরৌ অমত্তা থাংদনা মথং মথং পাঙথোক্লীংবা য়ামখ্রবা থৌদাংশিংসি য়াম্না পূক্লিং ঈংনা পাঙথোকপীবা শোয়দনা ঙমগনি থাজজৈ। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি হায়জরবসু ইশা ইশানদি দিমোক্রেসি করিনো খঙদবা কয়াসু য়াওব্রা চিংনজৈ। ইথৌ ইথৌদগী ৱাংমা লান্না নাকল অমদা লৈথোকপদি পাপনি। পুন্সি অসি মমল ওন্থোক্লা য়াম্মী- মী ওইনা পোকপা মপোকসিদা করিগুম্বা অফবা খরদংদি তৌরমদবা য়াদেনা খনবসু ফৈ। য়াম্না অফবা মিৎয়েং থম্বীদুনা ইচা ইনাও খরদংসু শেল্লমদবা য়াদেনা হায়বখক্কী ৱাখল্লোনতং থম্বীরল্লবসু তুংগী মীরোলগীদমক্তি মঙ্গোলগী মশকনি।

ঐখোয়না কাউরোইদবদি তাইবঙ শেম্বীবা মহাক্তি অচান-মীরায় খক নাইদে, শিয়োম্নুংদা লৈরিবৈদগী অঙাংশিংদা লাইগী শক্তি চপ মান্ননা হাপ্পীরকই। অদুবু তাইবঙ হেক ফাওরকপদা... অকোয়বগী ফীভম্না অমদি ইমা ইপাগী ইমুং মনুংগী চায়োক-নাউয়োক্লা মচেৎ মচেৎ তপ্না তপ্না মাঙহনখ্রবনি। ঈশিং নুংশিৎ শেংদ্রবা নমথি হঙ্গোইনা থল্লবা মোৎলবা মফমদা হৌবা পান্বীনা করম্না উহৈ ফজনা পীবা ঙম্বগে? করম্বা লৈরাংনা মাহৌ মকা লাম্না লৈনম য়েনবা ঙম্বগে? খনমিন্নসি।

অদুবু অসুম্না লৈবাকসিগী ৱাখল খল্লিঙৈগী মতমদা থেংনজখি পাউচেদা 'এম পি এস সীদা লাকপা ৱাকৎ মেদিয়াদা ৱায়েল চৎথনীংদে' হায়বসি থেংনজখি। হায়বিরিবসি কে হিমালয়, এম পি এস সীগী চ্যেরমেন ওইনা লৈবিরিবনা মীয়ামদা ফোঙদোককিখিবা পাউজেল ওইরম্লে। ফোঙদোকপীরক্লিবা ৱারোল খরদুনা ঐখোয়গী লৈতাফম খঙদ্রবা ইরমদমগী মীয়ামদা ৱাখল য়াম্না খন্থহন্নীংঙাই ওইবা, মমাঙদা অমুক্তা তাজখিদ্রবা পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা, থৌনা অমা হাপ্পীবগুম ফাওজৈ। মচু মমেল লাংলবা ফজবা মচু থোক্ত্রবা ওইনা উরবা ইরমদম্বু মঙাল অমা শোয়দনা পীবিরনি হায়না আশা তৌজৈ। হায়দোকফম খঙদ্রবা, পাঙ্গল থোক্ত্রবা, নুংঙাইতবা অকিবা মঙ অমনা ঙাইহাক লৈতনা মঙ্গ্রেম্নদুনা লৈবগুম হিংবদা নিংকোক নিংকোক তৌদুনতা লৈরিবসিগী লংলা লংজিল খরা থিবিদুনা পুকচেল শেংলবা লৈঙাকমপূশিংনা লায়ওং চপ চানা খঙবা ঙম্লবদি ইথৌ ইথৌদা পূক্লিং চঙশিঞ্জবা ঙমজবা - অশেংবা মরৈবাক নীংবা মীশক মশীং নাইদনা থোরকপা ঙমগদবা মাল্লি।

নুংঙাইজবা অমনা 'লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংদা ইন চার্জ দিরেক্টর নৎত্রগা লুক অফটর হায়বা ফম অসি লৈহন্নীংদে' হায়বিবগা লোয়ননা লৈহন্নীংদবগী মরম পীবিবা প্রজা অমা ওইনা থম্মোয় শেংনা থাগৎচনীংঙি। মথক মখা নাইনদ্রবা, লমচৎ শাজৎ খঙনদ্রবা মীওইতনা থন্না লৈরবা লৈবাক হায়বদু ওইরবা ইরমদমসিদা চীক্লা ইংনা হিংবা পামজবা, ওইদ-পাদবা তৌজদবা, হূরান চীন্থী য়াওজদবা মীওইশিংনা কয়াদা ৱানা হিংজরিবা। টেলেন্ট ফজনা লৈবা, মমিৎ মনাসু শিংজবা অঙাং (মহৈরোয়) কয়া লায়রবা ওইরুবনা পান্বে কয়া ফংদনা, করিগুম্বদা লাউজরুবদসু অঙম-অথৌ মথক থোংবগী মবূক্লিং থুংনবা হায়জ-চৎচ, ৱানোম-খূৎনোম হৈতবনা ইফ-ফনা নীংবা কায়না হিংবা অমদি মাঙখ্রবা কয়া য়াওদবা নত্তে। অমুকসু খ্বাইদগী অর্থ থোক্তনা হিংবা অমসুং দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনিদি হায়রগা মীচম মীয়ামগী মরক্তা নৎত্রগা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা ঐনা চৎপা লম্বীদা নঙসু চৎকদবনি-য়াদ্রবদি ! হায়বরোমদা হিংনরে। মসিনি খ্বাইদগী লাইবক থীবা ওইরিবসি। মশক মান্নদবগুম্না মীওইবসু অপাম্বা মান্নদে। মসিদি মশানা অদুম তাজরবনি। শম্না হায়রবদা কনাগুম্বা কনাগুন্বীনা ঙা পামদে, মনা-মশিং পাম্মী। অসিবু ফুনরুবা য়াবরো, থওইনা খৎন-চৈনা থোক্লুবা তৌরুবা য়ারিবা ৱারো? তাইবঙ শেম্বীবা মপূনা পীথোরকপা হায়দুনি। মসিগা মরী লৈননা খরদং পঞ্জরবদা মীওইবা ঐখোয়গী ইরক্তা হাৎন-শুনবা থোকপগী পাউ কয়া তানরি, লৈবাক ঈরাং থোকই, অপীকপা ৱাখল্লোন্দা চঙনরকপসু য়াওই। তশেংনমক্তি চিন্দা শুকপন পন্নীংদে ধর্মগী ৱাসিদি। অদুবু মসিগী মিৎয়েংদা নুংদা য়াম্না ইন্দাইরেক্ট ওইনা লৈতুম থানবগুম তৌবা থৌওং, ৱাঙাঙ শাঙাঙ কয়া তাদ-উদবদি নত্তে। মসিগী ঈহৌসিমসু মীয়াম মরক্তা অমগা অমগা মরী ফজনদবা, ৱাখল্লোন্দা অকায়বা লাক্কদবা খুদম কয়া থেংনজবদা নুংনাংদবা ঙমদে। অতৈ অতৈ লৈবাক্তা তৌরবসু ঐখোয়গী লৈবাক্তা মমি খজিক্তং তারকপা উবদা ওন্থোক্লা নুংঙাইজদে। মী অমমমনা মানা মানা অপাম্বা মায়কৈদা চৎথজসনু, চানীংবা চীঞ্জাকসু চাজসনু, লাইসু মানা অপাম্বা খল্লগা নীংজসনু। মী অমদা অকায়বা অনা অয়েক পক্কদবা অমাঙ অতাবু থোকহন্নদ্রবদি কৈসু কায়দে। মীগী মবুকপু নাহন্দ্রবা করিসু কায়দে। অদুনি ধর্ম কায়দবা হায়ববু। মানা নীংজবা লাই নীংজদুনা মী অমা ওইবগী নোংমগী মথৌ শিন্থা কায়দনা অপাম্বা লাই অমা থম্মোয়দা থমজদুনা মচাশিং, ইমুংগী অহল-লমন পূম্ববু য়েংশিন্দুনা, মীওইবগী মতেং পাঙথোক পাংশিন তৌদুনা, লৈবাক্কী কোক শাগদবা অমাং অতা থোকহন্দনা ঈংনা চীক্লা হিংজরিবা মীওইশিংনা মশীং হেল্লবা কান্দনি ঐখোয়গী ইরমদম ঈংনা লৈঙাকপসু ঙম্লক্কদৌরিবসি। ঈরাংতা থোকহন্দুনা লৈরবা লৈপাক অমদা করম্না চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনো? খুনু মখোঙ শমলৌবগুম, খোংদনা চীকপা হূইগুম নুমিৎ চুপ্পা অঙানবা মায়কৈ থাদোল্লগা অমম্বরোমদতা ওনশিন্দুনা লৈবনদি মঙাল হায়বদু খক ফংগদবা মান্দে। তান্নরগা খন্নরগা থম্মোয় হাংদোক্লরগা খন্নরগা থবক পূম্বা চৎথবদা অকায়বা করিসু লৈতে। মীয়ামগী পুন্সিদা কায়গদবা লৈরবদি মদুতনি অকায়বা কৌরিবা। ঐগীদি তৌদবা য়াদবনি ইচা শেল্লিবনি, থাক্লিবনি হায়দুনা মীওইবদা কায়গদবা, চৎনবা য়াদ্রে হায়না য়ানদ্রবদু অসুম লেপ্তুনা চথরবদি মী মহাক অদু মীনুংশি খঙদবা, লৈবাকমচা তাদবা, ধর্ম কায়বা মী হায়বদুনি। মতাং অসিদনি পঞ্জনীংলিবা, 'ইশাগী ইথৌ মশক খঙনসি' হায়বা ৱাহৈ লাক্লিবা।

ঐখোয়গী ইরমদমসিদা পোল্লক্তুনা লৌশিং হেক তারকপদগী থেংনরকপদা খ্বাইদগী অৱাবা ওইরকখিবসি 'অদু ওইর'সু' হায়বসিগী মনুংদা হিংবা মী কাঙলূপ খরদুনি। কিরিবগী মরমদি - 'অদু ওইরসু হায়খ্রবদি লানগে লাল্লু, চুমগে চুম্মু তৌনি সিনি। অদুনা উপায় শুকলৈ লৈতে। হায়জনীংবদি ফজবা, নুংশিবা, অচুম্বা হায়বসি মাঙদা থল্লগা নৎত্রগা অহুম অসিগী কুয়োম্নুংদা চঙলগা পুন্সিগী থৌদাং খুদিংগী ৱারেপ লৌবিরগদি থৌদাং খুদিং মায় পাক্তবা লৈরোই। করিগুম্বা থবক থৌদাং অমদা খন্নবা, তান্নবা মতমদা, 'মতাং অসিদা অরানবা অমা য়াওরে, অরানবদুদি অসিনি, মসি অসুম তৌরগদি ফগনি খন্নসি' হায়বা মীওই কাঙলূপ পঙলৈ লৈতবগুম উই। তান্নমিন্নবা, অমনা অমবু মাঙলসনু খন্নদবা, লৈবাক্কী তুংগী অমাঙবা, অকায়বা ওইগদবা থবক তৌনদনা হিংমিন্নবা হায়বসি ফত্তবা নত্তে হায়জনীংঙি। ঐখোয় পূম্বা পূনশিন্নরগা থম্মোয় শেংনা থৌদাং পায়খৎমিন্নবদা অফবা নৎতনা অমাঙবা অমত্তা ওইরোই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংঙি মীওইবা হায়রিবা ঐখোয়সি কর্ম্মনা মরম ওইরগা পোকপা, শিবা, অৱা-নুংঙাই হায়বসি থেংনৈ হায়না অরিবা লাইরিক্তগী ফংলি। 'কর্ম্মনা ইমানি, কর্ম্মনা ইপানি, কর্ম্মনা জীবগী লমজিং গুরুনি। জীবগী হকচাং (দেহ) সু কর্ম্মনা ওইবনি। পোকপসু কর্ম্মননি, শিগদৌরিবসু কর্ম্মননি। অদুগা অমুকসু হন্না পোল্লক্কদবা মপোকসু কর্ম্মনা লম্বী ওইগদৌরিবনি।' থৱায়না হকচাং পোলাং থাদোল্লবদা জীবগী মতুং ইনগদবদি কর্ম্মনি। ... অসিনচিংবা পূক্লিংবু ইংথহনবা ঙম্বা, ৱাখল খন্থবা ঙমহনবা, য়াম্না ফিলোসোফিকল ওইবা ৱাহৈ কয়ানা পুন্সিবু হিমায় চুমহল্লি।

অরোইবদা থমজনীংঙি - ঐখোয় খুদিংমক ঐগী ঐগী পামজনা পায়বিরিবা শিনফম্বু থাজবগা লোয়ননা পাঙথোকপীদুনা 'মৈনা ৱায় তাংনা শম' হায়বা ইপা ইপুগী পান্বেশিংদুনা লোয়ননা মাঙদা চঙশিনমিন্নসি ঐখোয় পূন্না। ঐখোয়না খক কাউরোইদবা অমদি অসিনি - "Free will is not the ability to do what one wants. They are hindered by the effects of past actions. The will can command all things - save only 'Love'. for, Love is God, and God is not subject to authority. Love must be born in the soul and of the soul. Love alone is free".

- Swami Kriyananda

# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ৬




**রন্দোল্ফ মোইরাংথেম**

**৬০০-৫০০ বি সী** অসি ইন্দিয়ান ম্যুজিক্তা য়াম্না মরুওইবা চহী চাশিং অমনি। হায়রিবা অসিদা মমাঙগী হৌখ্রবা চহী চাশিং হায়বদি বেদশিংগী মরুওইনা সামবেদ অমদি লৌকিকাশিংগী (দেসি) য়াম্না চাওখৎলম্বা চাওরাক্লা চহী চাশিং হায়বদি ১০০০ বি সী মতমগী ম্যুজিক অদু অমুক হঞ্জিল্লক্লন্মী। মতাং অসিদা নৈনবা য়াবা ৱাফম অমনা ইন্দিয়ান ম্যুজিক্তা চহী চাশিং হায়বদি চাওরাক্লা ১০০০-৬০০ বি সীগী মতম অসি করম্বা ফীভমদা লৈরমদুনা চাওরাক্লা চহী চা ১০০০ বি সীদগী ৬০০ বি সীদা ইন্দিয়ন ম্যুজিক্কী ফীভম অসি হোংলক্লিবনো হায়বা ৱাফম অসিনি। অদুগা ৬০০-৫০০ বি সীগী পেরদ অসিবু য়াম্না মরুওইবা অমদি ইন্দিয়ন ম্যুজিকপু অমুক হঞ্জিল্লকপা চহী চাশিং হায়দুনা অখঙ-অহৈ থিজিনবশিংনা ফোঙদোকপীরি। হায়রিবা ৬০০-৫০০ বি সী চহী চাশিং অসিদা অনৌবা য়াম্না মরুওইবা অওনবা থৌদোক অমা মহৌশা লাইরেম্বীনা শেম্বীরক্তুনা ক্লাসিকেল পেরদ হায়না কৌবা গান্ধারবাশিংগী ম্যুজিক সিষ্টেম অমা ইনি দয়াদা শাফোংলকই।

মতাং অসিদা চমন্নগদবা অমনা গান্ধারবা ম্যুজিক হায়বা অমা মী তঙ্খাই, লাই তঙ্খাই ওইবশিংগীসু ম্যুজিক সিষ্টেম অমা বেদশিংগী মমাঙদা খা নোংচুপ ভারতকী লমদমদা লৈরম্মী। মরম অসিনা ইন্দিয়ন ম্যুজিক্তা গান্ধারবাগী পেরদ অসি অনী শুরি। হায়রিবা গান্ধারবাগী ক্লাসিকেল পেরদ অসিনা হান্না লৈজরম্বা বেদশিংগী সাম বেদগীসু য়াওনা শীজিন্নরম্বা মচাকশিং অমদি কাঙলোনশিং লোয়না অতোপ্পা ম্যুজিক্কী সিষ্টেম অমদা শেমদোল্লন্মী। মসিনা তাকপদি গান্ধারবাশিং অসি ম্যুজিক্কী মরমদা য়াম্না হৈথোই শিংথোইবা কাঙলুপ অমনি। মসিগী মতুংদা চহী চা ৭০০ মুক্কী মতুংদা মুনি ভারতনা অনীশুবা সেঞ্চুরি এ দিদা বেদশিংগী মতমদা চৎনরম্বা বেদিক ম্যুজিক্তা গান্ধারবাশিংনা পুথোরক্লিবা ম্যুজিক ইন ক্লাসিকেল পেরদতা চৎনরিবা ম্যুজিক্কী সিষ্টেমশিংগগী খেন্নবশিং থিবা হৌরকপগা লোয়না লোয়ননা ম্যুজিক সিষ্টেমশিং অদুগী হৌরকফম্নচিংবশিংসু থিবা হৌরকখি। মুনি ভারতনা থিজিল্লগা ফংলকপশিং অসি মহাক্কী ফাওরবা লাইরিক ভারত নাত্যাসাষ্ট্রদা হাপচিল্লন্মী। মরম অসিনা ঐখোয়না দ্রামাগী শরুক নৈনরকপদা ম্যুজিক্কী শরুকসু হোংনবা ফংলিবসিনি।

ম্যুজিক হায়বসি থায়নগী সঙস্কৃিট লীলাশিংদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচল অমা ওইরন্মী। গান্ধারবা মখলগী ম্যুজিক অসি মপূগী অমদি স্বর্গ অমসুং নুমিৎকী মশক্নুম্না য়াম্না শেংনা লৌনরন্মী। অদুগা অমুক হন্না চমন্নহনবা অমনা গান্ধারবা ম্যুজিক অসি বেদগী ম্যুজিক্নুম্নসু লৌনরন্মী। মসিগা লোয়না লোয়ননা ম্যুজিক মখল অসিবু মার্গ ম্যুজিক হায়নসু খঙনরন্মী। মার্গ হায়রিবা ৱাহৈ অসিনা ফোঙদোকই মদুদি ম্যুজিক্কী মরমদা খঙদবশিং খোমজিনবা, মহাক্কী মরুওইবা ৱাহন্থোক্তা ৱাখল্লোন পীবা, বেদিক ম্যুজিক্কী মরমদা খঙদবশিং খোমজিনবা পূম্নমকশিং অসিগী মতেংনা গান্ধারবা ম্যুজিক অসি ক্লাসিকেল ম্যুজিকনি হায়না পুথোক্লবগী থৌশিল ওইনা চঙশিনবনি। বেদিক ম্যুজিক পাম্বসি তপ্না তপ্না অসুম হন্থরক্লন্মী। মরমদি গান্ধারবাশিংগী ক্লাসিকেল ম্যুজিক্লা হেন্না পাম্নরকপগী অওনবা অমা লাকপননি। মসিদি মালেমগী ওইনা চৎনবিনি। হান্না য়াম্না পাম্নরম্বা ম্যুজিকশিং অনৌ অনৌবা মখলগী ম্যুজিক মখল কয়া অমা মীওইবগী খন্ননবা পার্ট (ব্রেন) কৌবা অমা শেম্বীবা মপূনা হাপ্পীরকপা অসিনা অনৌ অনৌবা মখলগী ম্যুজিকশিং পাম্নরকই। অদুম ওইনমক ওরিজিন ওফ ম্যুজিকতি য়াম্না মওং মরীল অমা তানা থম্বা হায়বসি তঙাইফদ্রবা থবক অমনি হায়নদি হায়জনীংই।

সঙ্গিৎ দরপন হায়রিবা মমিং লৈরবা লাইরিক অসিদা মার্গ ম্যুজিক্লা য়াংলেন শরু ওই। মরমদি লোর্দ শিবজী অমসুং দ্রুহিনা অনীনা ঙাক শেন্দুনা লৈ অদুগা ভারত মুনিনা প্রেক্টিকেল ওইবা থবকশিংদা মার্গকী ম্যুজিক্কী কাঙলোনশিং অসিদা ম্যুজিক্কী থবকশিং তৌই। অদুগা অতোপ্পা জগোয়গী শরুক অমদনা ধানানজয়াগী দসারুপা (শকফম তরা) দা জগোয় অসিবু 'মর্গ' হায়নসু কৌরন্মী। মসিগা লোয়না লোয়ননা জগোয়দা শীজিন্নরিবা ঈশৈগী ৱাহৈশিং অদু হকচাংগী খূৎথেক, শাথেক, শাজৎ, শানোম, খোংথাঙনচিংবশিংনা ৱাহন্থোক চানা ফোঙদোক্কদবনি। ব্রাহ্মানাশিংগী সাটপাথা অশেংবা ম্যুজিক হায়বদি মপূগী ওইবা ম্যুজিক্লি অদুগা মসি শেংদবা ম্যুজিক্তগী খেন্নৈ।

ক্লাসিকেল পেরদনা হৌরকপগা লোয়না লোয়ননা জাতি কৌবা মখলগী ম্যুজিক মখল অমসু পুথোরকখি। হায়রিবা মখলগী শৈশক অসি দ্রামাদা ওইনা শক্লন্মী। মরম অসিনা শৈশক মখল অসিবু ষ্টেজ সোঙ হায়বদি নাটয়াগীতি হায়না খঙনরন্মী। ৬০০-৫০০ বি সীদা দ্রামা ইবা অফাওবা মীশক অনী থোল্লন্মী। মখোয়শিং অদুদি ব্রাহ্মা নৎত্রগা ব্রাহ্মাভারতাসু কৌবা মীশক অমা, সদাসিবা নৎত্রগা সদাসিবাভারতা কৌবা মশক অমা মখোয় অনী অসিনি অমসুং মখোয়না দ্রামাসু ইরন্মী অমসুং দ্রামাশিংসু খোমজিনবগী থবকসু তৌরন্মী। মখোয়না ইরিবশিং অমদি খোমজিল্লিবশিং অদু অনৌবা মখলগী দ্রামাশিং ওইরন্মী।



হায়রিবা দ্রামা ইবা অমদি খোমজিনবগী থবক তৌরিবা মীওই অনী অসিগী চেপ্টর খরদি ম্যুজিক্তা কৎথোল্লন্মী। সেকেন্দ সেঞ্চুরি এ দিগী মুনি ভারত্তা মখোয়না তৌরিবা দ্রামাগী থবকশিং অদুগী মতুং ইল্লন্মী অমসুং দ্রামাগী মেটরিএলশিং খোমজিল্লন্মী অমসুং মুনি ভারতকী নাত্যাসাষ্ট্রা হায়বা য়াম্না ফাওখ্রবা লাইরিক সামগ্রাহাগ্রান্থা নৎত্রগা কলেক্সন হায়না খঙনরন্মী।

মতেং লৌখিবশিং :- ১) হিষ্টোরিকেল দিভলপমেন্ট ওফ ইন্দিয়ন ম্যুজিক, বাই-স্বামি প্রগ্যালানন্দা।

২) অইবনা থিজিনজখিবশিং

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মমিংতা ঙাইরে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**ঐখোয়না** উরে-তারে-খঙলে মদুদি স্কুল হায়বসি মখল অনী লৈ হায়বা। অহানবদা লৈঙাক্কী, অনীশুবদা লন্নাইগী হায়না। মতম অমদা লন্নাই স্কুল য়ামদ্রিঙৈদা অয়াম্বনা লৈঙাক্কী স্কুলদা তল্লকপা ঙাক্তনি হায়বা য়াই। হৌজিক ওফিসশিংদা অচৌ অশাং ওইদুনা লৈরিবশিং অমদি স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবশিং অয়াম্বনা লৈঙাক্কী স্কুলদগী হৌরকপনা অয়াম্বনি । অদুবু অয়াম্বনা পেন্সন চৎনখ্রে। হৌজিক্তি লন্নাই স্কুলনা খুরক হাংদনা লৈরে। য়াম্না খেন্নরে হায়বা তারে। লন্নাই স্কুল লৈবগী অমাংবা লৈতে। বিল্ডিংসু ফৈ, মহৈরোয় য়ামই অদুগা লৈঙাক্কীদি মমিংতা ঙাইরে। বিল্ডিং অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং য়েংনরুবদা অসুক্কী মতিক খেন্নৈ। লৈঙাক্লা ঙমদবা থবক কয়া তৌই। লৈঙাক্কী স্কুলদি অয়াম্বনা কাচা অদুগা প্রাইভেট স্কুলগীদি পাকা বিল্ডিংনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা খাঙবোক হায় স্কুলসু লৈঙাক্কী স্কুল অমনি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর শুনা লৈতে। য়েংউ য়েংউবদা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি। বিল্ডিংদা ওইরো, ওজাদা ওইরো, ফেন্সিংদা ওইরো। অদুবু হৌখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা লাইবক ফবদগী অৱাৎপা কয়া লৈরবসু হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা ওনখৎপীরম্লে। তাবদা কয়াগী মতিক হরাউনখিবা। লৈত-লায়র মচা কয়াদি স্কুল অসিদা অদুম মখা তানা তমথবা ঙম্লগনি খনবদা। অদুবু মসিগী ওন্না তৈনবদা হৌজিক ফাওবদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী এলেভেন ক্লাস হাংদোকপা য়াবগী ফীভম উবা ফংজদে। মসিদা নীংবা কায়রবা লৈঙাক্কী স্কুলদা তমনীংবা, লন্নাই স্কুলদা তল্লবসু স্কুলগী ফী হুনবা ঙমদবা মমা-মপা কয়াগী মচাশিং লৈরি।

মমাঙগী লৈঙাক্লা অসুক ফজবা পোলিসি অমা লৌখৎপীরম্লগা মখা তাবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবা অসিদা মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়াম্না পেন্নদ্রে। অথুবা মতমদা মরী লৈনবা হায়র ওথোরিটি অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মিৎয়েং চঙবীদুনা এলেভেন ক্লাস হাংহনবীদুনা লন্নাই স্কুলদা মহৈ তম্বা ঙমজদ্রবশিংগী খনবীদুনা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরিবু মমিংতগী ওইনা থম্বীবগী মহুত্তা থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা ফংহনবীনবা হায়জরি। মতম ফত্তবসিদা অরাপ্পা মফমদা চৎহন্দুনা লাইরিক তমহনবসু ঙমদবা কয়া লৈরি। হায়রিবা মমাঙগী লৈঙাক্লা সেকেন্দরিগী থাক্তা ওনখৎপীরম্লবা স্কুল অসি মমিংতগী ওইনা থম্বীগনু। লন্নাইগী স্কুলনা ঙম্লগা লৈঙাক্কী স্কুলনা করিগী ঙম্লোইদৌরিবনো হায়বা ৱাহং কয়া মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়ামগী থম্মোয়দা তৎতনা হংনরি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*

*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*